## ৱারী মচা

# পাউখুম্নদ্রিবা ৱাহং

*– রঘূ লৈশাংথেম–*

**মীৎমাঙদনা** চেক্কোনগী চিম্নিদগী নোংমদোন তম্না পাইখৎলক্লিবা মৈখুনি। অদুগা মথম্মোয়নুংদা ময়েক লারক্লিবনা মপুরোইবগী চিতাগী মৈখুনি। পূন্সিগী লানফমদা, লায়রবগী মৈশানা কাহৎলবা মপুরোইবগী হকচাং কয়াৎশিংনা মচেৎ মচেৎ তানা পীখম্নখিবা মমীৎমক্না উহৌই। ইম্ফাল সহরগী ময়োলমক্তদনি মীনুংশি খঙদ্রবা বোম অমনা পোকখায়দুনা থোকহনখিবা কাউনাইররোইদৌবা থৌদৌদু। হৌখ্রে, অদুবু নীংশিংবনদি হৌজিক হৌজিকমক থোকহল্লি। পাউ তাবদা অঙাওবীগুম কপ–লাউনা চেনখিবদা কাংখিবা মীহুল, হোনখিবা শ্বর হৌজিকসু ফাওরক্লি। মকোক ঙাওরকই।

“মনিহল! ... কৈদৌরগে নঙবু?” থবক শুমিন্নবী লৈকাইগী মনম্মা লৈরিক্লা হংলকপনি।

লৈরিক খঙই। মনিহলবু মুন্না খঙই। মদুমক্লনি মখা তারক্লিবসু – “নীংশিংনদুনতা শুম লৈরদি, লাইমন ওইদুনা নহাক মী ওইররোই, শিববু তম্বা ঙম্বরো, নঙ ঐসু অদু মঙাই, অকোন–অহানগী ৱাতনি, চৎখ্রবা মাগীদমক চিন্তা তৌদুনতা লৈরদি । পীক্লিবা নচাশিংসি করি ওইগনি?”

মনিহল খঙই, নীংশিংবনা মাবু চোকথহল্লি। অদুবু চোকথবদুদা পোখাবসু য়াওরি। করম্নসু নীংশিংলোই। মপুরোইবগী শহুম, হকচাংগী মনম ঙসিসু মশাদগী কোকখিদ্রি। নোং ফুং ঙানবদগী লৈত–লায়রগী চৈথেং খাঙলুরগা, আশা কয়া মঙলান কয়া পুদুনা হেক হেক হঞ্জিল্লকখিবা মপুরোইবগী মোমোন মায়থোঙদুনা পীখিবা নুংশিবা ঙসিসু ফাওরি।

“নঙবু য়াম্না ৱারব্রনে?” ৱাহংসিমদি মপুরোইবনা তত্তনা হংখি। মদুগী পাউখুম ৱাহৈনা ওইখিদে। মপুরোইবগী চোকথরবা হকচাংবু তেকখৎহনখিবা খোইরুম মোমোননা পীখি। মদুনা ৱাহংদুগী চপ চাবা পাউখুমনি হায়বসু খঙজখি।

তমথিরবা বিধিগী নোংলৈ লাক্লগনি খঙখিদবা অরোইবা নুমিদাংদুমক্তদসু ৱাহংদুমক হংলকখি। নুমিত্তুমদি মনিহলগী মোমোন মায়থোঙতনা পাউখুম ওইখিদে–“নহাক্লা ঐগী পূন্সিগী পম্বুংনি খঙনা লাকখিবনি, ঐহাক্কীদি নহাক্লা অৱাবা নুংঙাইবা পূম্নমক্লি, অদুম্না শুম হংদুনা ঐবু নঙোন্দগী তোখায়হন্নবা হোৎনরিবা করিগীনো, ঙসিতা নত্তে খঙলিবা হান্নদগী খঙলকই নঙ–ঐগী পূন্সিদা কনা লৈরোই, অৱা কোঙ্গাই মায়োক্লগনি, অদুবু ৱাদনা নুংঙাইবা কনাবু লৈবগে, কনানা খঙবা তাঞ্জা চারুদুনা চানবা শীনফম অমম কোক হেক ফঙনবসু, নহৈ–ইহৈ হৈনদবসু নত্তে... ।”

ইচং থৌনা খুমখিবা, ৱাহং য়াওবা পাউখুমনি। অদুবু মপুরোইবদগী পাউখুম ওইনা করিগুম্বা ৱাহৈ নৎত্রগা শহুম ফঙলকখিদ্রবদা অমুক্কসু তপ্না হায়জখি– “অদো ... হৌজিক্তি ইচাশিংসু ঙাং–শক্লবা য়ারক্লে, নথন্তনা শুম হোৎনবসিদা মতেং খরতা ওইরবসু ওইননবা করিগুম্বা খরা তৌনিংই ... ইনম্মা লৈরিকখোয়না চেক্কোনগী থবক শুরিসি–”

“য়াদে”, তুম্মিন লৈরম্বা মপুরোইবগী, থৌনা উৎলবা মায়থোঙনা ইচং থৌনা ওনশিল্লক্কুনা মরক থৎলকখি– “মদু য়াদে, নখোয়গীদমক ঐ লৈরিসিদি, নঙগী মোমোন মায়থোঙনা ঐগী পাঙ্গল ওইরিবনি, মদুখক্তনি নঙোন্দগী ঐনা পাম্লিবসু, অদুম্না অমুক হন্না হায়গনু ... করিগুম্বা রিক্সা থৌরিবা ঐনা নোংমগী পুশিল্লকপা হুমাংমল খরসিনা ননিং তমহন্দ্রবা কয়াবু খাঙবা ঙমদ্রে খল্লগদি খঙদ্রে... মদু ওইরগদি ৱা অমত্তংগা হায়হৌগে– ঐ পূন্সিদা থাজবা মাঙদ্রিবা নিপানি, নোংমদি শোয়দনা মতম লাকখিগনি।”

মপুরোইবগী অকোনবা ৱাহৈশিংদু ৱারৌখিবরা? খন্থরুদে, –“ফরে হায়জররোই, ঐখোয়গী নোংমা করিগীবুদি লাক্লোইদগে, শে ... পোখারসি।”

ঙাইজখিবসু অদুগুম্বা নোংমদুনি। মপুরোইবগী মথাদা মঙজখিবা নুমিদাংদুগী মঙলানসু নোংমদুগীনি। মথং নোংঙানবগী তমথিরবা বোম পোকখায়খিবা নুমিৎকী নোংমদু নত্তে। মঙলান অমদি আশাগী মমি শামখিবতা নত্তনা পূন্সি মচেৎ তাখিবা নুমিৎকী নোংমদু নত্তে।

হৌখি খূদিং, থম্মোয়দা ময়েক শেংলক্লি মতিক মীৎলুদি মশেন মরাংলকই। নীংশিংলিবশিংদুখক নত্তনা অতৈদি মমশিল্লকই।

“মনিহল, ... ইবেম্মা নঙবু নশা ঙমদ্রবরনে?” লৈরিক্লা অমুক হংই।

–“ইনম্মা মাগী থৱায়দুনদি ঐবু উরমগনিকো? লৈরিক্লা অমুক হংই।

–“ইনম্মা মাগী থৱায়দুনদি ঐবু উরমগনিকো?” মনিহলগী মতৌদুদা ইঙক ঙকই লৈরিক–“অদুম পংখন খনগনুনে ইবেম্মা নঙবো!”

“ইচে লৈরিকখোয়দি কদায় চৎনখ্রে?” য়েংথোক্লু বদা চেক্কোনগী মহাজন ওইরম্মী। খুম্মী–

–“চেক থাবা চৎখিবনি তামো?”

“কনাগীদনো চেক্লা কয়া হাপখি?”

“খুরা তোম্বীগী গারীদনি, লীশিং অনী হাপখি।”

“ফরে ফরে, অদু মনিহল নহাকপু চেক্কোনগী থবকসিবু হৈনব্রনে?”

“খঙদে তামো, ইনম্মহোইদা অয়েৎপদুম ওইরিদ্রা ঐগীদি হোৎনজরিবসিনি।”

“হেরা করিগীবুদি য়েৎকদৌরিবনোদা, অদু ঙাইখোনে মনিহল, নঙবু ইচে লৈরিকখোয়না হায়রিবা কোলেজকা তম্লম্মী হায়রিবসি চুম্ব্রনে?”

–“কায়দৈনোদা তামো মতম খরদনিদা।”

–“অদু কাদি কারম্মিদনা .. ঙসি তাঞ্জা চারিঙৈসিদা ৱা অমদুম হায়হৌগে, হায়গে খল্লকখিবদি নহাকপু হেক খঙলকখিবদগীনি, লান্নদি লৌগনু ৱাবুদি করিসু নত্তে, নুপীরোমগী হিসাবকাশিংসি নহাক্লা খরা শেন্নরো হায়বনিদা–”

–“ঐ হৈরোইদা তামো।”

–“হৈবুদি করিগী হৈতনেগেক, ঐনা হায়রিবসিদা নহাক্লা য়াহন্নিংবগী মরম কয়াসু লৈ, ... চেক্কোনগুম্বদা থবক শুজবী নুপীশিংগী মরক্তা নুপা নহানা পঙচং চঙবসি মীয়ামগী মীৎয়েং চাউবখক নত্তনা ফজদবা থৌদোকসু থোকল্লি, মদুমক্লসু ঐহাক্লা নহাকপু নুপীশিংগী ওইবা মরম খূদিংমক পানহন্নিংবেনি, অদুগা অমনা নহাক্লুম্বী লাইরিক লাইশু হৈরবী অমবু মরাইবক থিরে হায়দুনসু অতৈ নুপীশিংগা হেক্তমক মান্ননা লৌবসু ঐহাক্কী ৱাখলনা য়ানিংদে।”

নুপা ওইরবদি মনিহলবু চেক্কোনগী মোহোরিনি হায়বিগদবনি। অদুবু মনিহলদি চেক্কোনদা থবক শুবীশিংগী মোহোরি নত্তে। ইনাওনি, ইচেনি, ইবেম্মনি, খূদিংমক্লি। চেক্কোনগী পোখোক হেনগৎলকই, লোয়ননা মনিহলগী মকশিল্লুরবা মায়থোঙদা অনৌবা মঙালগী মশেক ফংলকই।

“মনিহল ঙসিদি ঐ নঙোন্দা কুইনদগী হায়গে খল্লকখ্রবা ৱা অমত্তা হায়গে?” নুংতি নুমিৎকুম নোংমগী হিসাব শিন্নরবগী চঙলকপা মনিহলদা মী হাংবগী তাঞ্জা লৌদুনা মহাজন্না হায়রকই।

“করিনো হেক্তা হায়বিয়ু তামো?”

“মনিহল, করিননো খঙদে ঐহাক্কী থম্মোয়দা নহাকপু নুংশিজবগী ৱাখলনা মীৎকুপ খূদিং খোয়রাংহল্লে, ঐহাক্লা মতম কুইনা অফ–ফত্তা কয়া তরেৎ তরা থোক্লা খল্লবা মতুংদা, নহাক্কী পূন্সিদা ঐনা চঙদুনা নচাশিংবু ইচা শক্লা য়োক্লগে খল্লে, নহাক য়ারোইদরা?” হায়না মহাজননা মমাঙদা লেপ্লিবী মনিহলগী খুদাং পায়রকই।

খোঙদগী তোন ফাওবা তুং চুংই মনিহল। অদুবু থঙনবা মীৎকুপ্তা থৌনাগা লোয়ননা জ্ঞান লাকই। শোক্লক্লিবা মীখুত্তুদগী লাপথোক্কুনা, কাদগী মপান থোক্লবা খোঙ থাংদোকই। অদুবু মহাজনদা মুন্না য়েংদুনা হায়রম্মী–

“লাইবক থীবী ঐহাকপু নুংশিবী তাকপিবা ঐগীদি লাইবক ফবনি তামো, অদুবু করিগীনো নুপাশিংনা লাইবক থিরবী ঐখোয়গুম্বা কয়াবু নুংশিবিবা মতমদা মচল মচে ওইবগী মীৎয়েং থম্বীদুনা নুংশিবিদ্রিবা, করিগীনো তামো?

মনিহলগী মীৎলুদা ঈহৌরকপা ঈপোম্না থুমহৎখিদুনা মীৎমাঙদা অমম্বনা চেনশিল্লকখ্রগসু কানুংদগী মপান য়ৌবা লম্বীদুদি তুংওইনরম্মী। মপান্দা লৈরম্লিবা সংসারদুগী মঙালশিংসু মহাক্কী মতুংদা মহাজনগী অনেম্বা খোম্থাংনা–“ঙাইখোনে মনিহল, ঙাইখোও” কৌহৌবরোমদুদা চেনশিন্নখিবগুম তৌহৌই।

## শৈরেং

### লাচন

*– শ্যামা তোংব্রম*

লীবিখি অবোক্লা তত্তনা,
লায়না লায়চৎকী চৈথেং নং
নুংথিল থোঙ লোন্ননা খাঙ,
তোরা তুনা শিনখিবগী ৱারী।

ঙসিসু, য়েল্লরে লৈরাং লৈনমগুম,
থুংলরে, ঈশিং ঈচাও ইথক ইপোমগুম।
শোক্লা শম্নবদা মায়োক্লবদা,
অমদগী অমদা, মথং মথং লান্দারক্লে,
মালেম পৃথি শীনবা থুংখ্রে।

য়েংহৈদা খাংঙমদা চৈনা কয়া
পীরি তনৌরবী নঙনদি।
হিংচায়াইতম্বী শক্লোন লৌ,
ওৎলি মীওইববু ননিং তম্না চাথোক্লি,
কয়াদা তমথিখ্রবা নহাকসে।

তোরা তুখ্রে থৱায় কয়া,
য়াতাখ্রে হকচাং মঙফম লৈরোলনুংদা।
খুরক হাংদ্রে লায়েংশঙ,
খূন্তাক লানশিরে, তাইবঙ কৈথেল,
চরাংনরে পূন্সি খোঙচৎ।

অদুঙৈ ফ্লোরেন্স নাইটিঙ্গলগুম,
ঙসিগী ডোক্তর নর্স সিক্যুরিটি পূম্নমক,
ফিরোল নাইনা মশাবু কুপশিঞ্জ,
অশি অচঙ লংদাইদা, চোকথবা নাইদা,
লাম্থেংনরি নঙগা, অহিং নুংথিল অনীমক্তা।

নঙবু কনানসু মায়থিবা পীঙমদ্রি,
লাঞ্জংসিদা পজেং ফিরাল নঙনা পায়রি।
অদুমক্তি ওইরগা, কংলৈপাক্তদি
ঙমদ্রি নঙনা খুদুমচনবা,
কনানদি খঙলুনি, শকউদবী নঙগী লীচৎ।

লেপ্তুনা চেনশিল্লক্লিবা মীরানচাগী ঈচেলদা,
ঈরোইনরকপসু নঙনা, লোন্না থুপ্না,
মৈতৈপোকপীগী থম্মোয় থোঙজাও ঙম্না হাংলি।
থোৎচ–নৌজরবী, হে কোরোনাভাইরস,
পুৱারীগী লমায় কয়াদা,
“লাচন” ওইহৌরবনি, নঙগী নতিক নয়াই।

### কালেন থানা লাকপদা

*–দোনেশ্বর কোন্সম*

কালেন থানা লাকপদা
নোংলৈগী ৱারী লোয়খরে
নীংশিং নীংশিং হৌখরে
শজিবু লাকয়েন তাইখরে।

পামেল তালা নাপুংবা
মালং মহুম থিরক্লে
লৈনম ওইবা খুল্লানবা
থম্মোয় লকা তম্লক্লে।

লাপ্না লাপ্না চৎখিবা
ময়ুম মায়কৈ তম্লক্লে
নীংশিং পোৎপাং থিল্লকপা
উনবী পূক্লিং নুংওল্লে।

### খঙলমদবা

*– কামিনিকুমার*

লৈ মরুপ অমা
থবক তৌবা মীয়ামগী
মতেং পাঙবা মীওইবগী
ফৈ মবুক মপাও
নীংশিংলকই মাবু
লৈর কান্দা অরুবা থবক
শীজিন্নে মাবু
মতাং চানা
ঙম্লকই থবক
মায় ওই ময়ামগী।

য়াওদে মশাদা চাউথোকচবা
নীংশিংজদে মশানা
থাজদে মানা নোংমতা
তৌরুবা থবক্তুগী
লৈ মীচম অমগুম
মীয়াম মরক্তা।

তিংহন্দে শেল শিকি অমা
মতেং পাঙবদা মীগী
য়াবী অচৌবনা
তাবী মাগী ৱা
ওইরমাল্লে মাগী
পুকচেল শেংবনা।

থোকপসি থাজদবা ঙাক্তা
ওইরমাল্লে ঐখোয়গী লৈবাক্কী
থোক্লে অঙকপা থৌদোক
তখেল্লম্বম বীনাখোয় ইমুংদা
চঙলুই বার্তন তৌবা
মচননুপী লুহোংবগী
শক খঙলমদ্রে মাবু
বীনাখোয় ইমুংনা।

থোক্লকপা নুমিৎনা নোংচুপ্তগী
চপ মান্নখ্রে থৌদোকসি
মরুপ্তুগী মফমদা
তোকখ্রে মীওইবগী মতেং পাঙবা
য়াওখিদ্রে মীয়ামগী থবক
ওনখ্রে অনৌবা পুন্সি অমদা
ঐগী মবুক ফবা মরুপতো।

### খোম্থাং

*– নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা*

পূন্সিগী লৈমায়দা পূন্সিনা
খোঙনেৎনরি পাপ্পীশিংনা
নিন্দা তৌরি পুন্য চেল্লবশিংনা
নীংঙমদা কপ্পি মাঙলা পূন্সিনা।

থাবলগী মঙালদা
লুপাগী ফিজোলদা
মথৌ কাউখ্রে অঙম্বশিং
কংশ ওনখ্রে মালীশিং।

উরগা চোইজাইনরবী লৈরাংশিং
লোন্না কপ্পি খোয়দাবা খোইমুশিং
ফোংনা নোক্লি পাপ্পীশিংনা
তত্তা পীরি থম্মোয়দা চৈনা।

### অচংবা লান্মী

*–ডা. সমর সলাম*

থাগত্তবা ঙমদে
নঙগী থম্মোয়দু, নঙগী মীনুংশি
নহৈদু–নশিন্দু,
মপুগী মফমদা নীজরি
তুং কোয়না অফবতা ওইনবা
নঙগী, লোয়নবশিংগী, ইমুং মনুংগী।
মালেম পুম্বা থক থক
হেক নিকহল্লিদা লায়নাসিনা,
মথোঙ মরম খঙহন্দনা
য়ূমদগী মপান থোকহন্দবা মখৈ
নৎত্রবা মসিবু ৩শুবা লাঞ্জাও
মীওইবা খুন্নায়বু মুখৎনবা।
ডাক্তরশিংগী হকচাং য়োৎ নত্তে
নশা ফাওবা নারকপা য়ারিবনি
পূম্নমক কখোকপনি
হোৎনখি নঙনা নৱৈবাক্কী মীয়ামগী
লায়নাসি অমদগী অমদা লৌনদনবা
অহিং–নুংথিল, চাবা–থকপা চঙদনা।
হৌমিন–কামিন্নরকপনি, চাউমিন্নরকপনি
লমদমসিগী, ঐগী ইরৈকাইগীনি
খল্লুবদা চাউথোকচৈ
খূৎশা তরাদংনা
খুবাক খুবা পেল্লক্তে
অচংবা লান্মী নহাক্কী।

### ঙাওচৎনরবা পূন্সি

*–তৈয়ীবুর রহমন*

অৱাবনা হংলি হন্না–হন্না থম্মোয়দা,
পিরাংসিবু তশেংনমক অৱা–খাঙবগী ঈচেল্লা?
নুংঙাইবনা হংলি অমুক অৱাবা সাগরবু য়েংলগা,
তশেংনমক অৱাবসিবু তাইবঙসিদা লৈব্রনে?

অৱাবগী ঈপাক্তা হোম্থরি মনিং তম্না,
নুংঙাইবগী হিনা ঙাইহাক্কী নুংশিৎকী মায়কৈদা,
ঙাওচৎননা লেল্লি পূন্সিনা নীংবা কায়না,
পাউখুম ফঙদ্রবা ৱাহং ’মগা লোয়ননা।

তাইনফম খঙদ্রবা ঈপাক অনীগী মরক্তা,
কনা খঙহন্দনা চৎলুরি ইদোম তুমিন্না,
হংলি তত্তনা, “তশেংনমক লৈব্রনে পূন্সিদা অৱা–নুংঙাই নৎত্রগনা মসিবু কৌবরনে থৱায়’মগী ঙাওচৎনরবা পূন্সি ?

### নীনিগী লাকপা পূন্সিনি কাউথোক্লুই

*– গোকুলচান্দ থিংঙুজাম্বা*

নীনিগী লাকপা পূন্সিনি কাউথোক্লুই
ঐগী হায়বা ৱাখলনা লমজিংদুনা
অপাম মিহৌগী লাংদা থুনরি
চৈনা চৈথেংগা লোয়ননা
ৱারৌজে ঐগী পূন্সি মঙোন্দা।

কনানা নোক্লি কনামসু কপ্লি
কনা অমনসু ৱাজৈ পূন্সি নঙগীদমক
থেঙনরিবা পূম্নমকসিবু হায়নৈ পূন্সিনি
পামজৈ ঐদি অচম্বা পূন্সিদো
মহাও য়াওনা হিংজবা কল্লকউবা লৈতনা।

হে পূন্সি হিংখোকো নঙসু
অচম্বা অচুম্বা লম্বীদুদা চত্তু না
নুংশিজৈ ঐনদি পূন্সি নহাকপু
মাঙখিনু লৈখোকো মতম কুইনগী
চৎকে খনগনুকো ঐবু থাদোক্লগা।

## তাবুনুংদগী

*ঐখোয় মীওইবগী কাঙলূপ ফুরুপশিংনা ঙাংনরিবা শোন্নরিবা লোন অসি মতমগী মতুং ইন্না তপ্না তপ্না অহোংবা লাকনৈ। মীতৈলোনগী ওইনসু মতম অমদা ঙাংনরম্বা ইনরম্বা ৱাহৈ–ৱাতাগা ঙসি ঙাংনরিবা ৱাহৈ–ৱাতাগা খেন্নবা কয়া উবা ফঙই। ৱাফম অসি ময়েক শেংনা উৎনবগীদমক মহারাজ নরসিংহগী মতমদা দয়ারাম লৌরেম্বা অমসুং নবশ্যাম নিংথৌজমবনা ইরম্বা ‘‘গম্ভীর সিংহ নোঙ্গাবা’’ হায়বা লাইরিক অদুগী অহানবা ৱাহৈ পরেং অদু তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

অথোইব লাই ওইব মৈতৈ নিংথৌ ভক্তিতন অথোইব মরল ওইনব, মপূক্লিং ইঙবন লমচৎ মহৌশা ওইনব, মীপুম খূদিংগী থম্মোইদ শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমভক্তি পীনবা নিংথৌরেনন মৈতৈ লৈবাক অসিদ থৌরম কয়াদ শাফম অরুব, লালফম অকনব কয়াদ লৈবাককী মায়রোং ওইদুন মী, লাই, লাইনিং, লাইশোন্নচিংব থবক পূম্নমক্ত মকোক ওইন লমচিংদুন নুংঙাইব মহয় চাদুন মতম কুইনা পালল্লবদ অফ–ফত্ত খম্বন মহাক্কী ওইব, লাইনিংবদ পুকচেল লেপ্প, অথোৎপদ ওইব, মহাক্ল খনব ৱাদ লেঙদব লৌশিং লৈব, মহাক্কী ৱাখলন সমুদ্রগুম চাংজৌ নাইদন পাকপ নিংথৌরেনন মশাগী চহীগী ফিভম য়েংবদা মহাক্ল নিংলিব থবক অদু মতোল লোম্ন পাঙথোকপ ঙম্লরোই হায়ব তশেংনা খঙজরে।

## মণিপুরী পাম্থে–পাউরৌ, পাউতাক

* **খূৎতুম শীংনা লাক্লগা খূবাক তিংনা হনগনি।**
  – করিমত্তা পুদনা পোক্লকপা করিমত্তা পুদনা শিখিবা।
* **খূৎ হৈবনা খূৎনা চীন্দা হৈবনা চীন্না চায়।**
  –মানা মানা হৈনজবী মওংদা হিংনবা হোৎনবা।
* **খুনু তুনবদা মাঙবা শেল জুৱারদা অমুক হঞ্জিল্লি।**
  – ফত্তবা তৌবদা মাঙবা শেল ফত্তবা অমমুক তৌরগা হঞ্জিনবা।
* **খুল্লক্তা ষণ থাবদু মঙায়রে।**
  – মফম মরাং খঙদনা পঙচৎক্তা চৎপা, লৈকাইনা চঙহন্নিংদবা মী।
* **খূৎকন পাঙ্গনবা মীচং লৈবদি থৌনা ফৈ।**
  – মীচং শঙ্গা লৈরবদি পাঙ্গল থোকই।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

- মৈ, ঈশিং, নুপী, অপঙবা, লিন অমসুং নিংথৌ মচাশিং হায়রিবা তরুক অসিদি মতম পূম্নমক্তা চেকশিন্না লোয়নগদবনি মরমদি মখোয়না নীংবাকান্দা হাৎপা (খুদক্তা) ঙম্বনি।
- গুন লৈবা, ধর্ম্ম চেনবা মহাক অদু হিংলিবনি অদুগা ধর্ম্ম লৈতবা অমসুং গুন লৈতবদি হিংলিবদু অর্থ লৈতে।
- তাইবঙ পানবসিবু থবক অমখক্তনা খুদুম চনগে খল্লবদি লৈয়েংবু জয় তৌ, কনাগীসু ফত্তবা ঙাংগনু।
- মফমদুগা চা–নবা ৱা ঙাংলিবা মী, মানা ঙম্বগী মনুংদা নুংশিবগা লোয়ননা সেবা তৌরিবা অদুগা মানা শাওবগী ঙমখৈ খঙলিবা মীদু পন্দিতনি।
- অমত্তা ওইজরবরসু নুপীনা শক্তম অহুম লৌই। তপস্বীদনা অশিবা মীন, অপাম নুংশি পাম্বা মীদনা নুপীনি, হূইদনা শদুমনি।
- অশিংবা মীনা অফবা হিদাক্কী মচল, দান, য়ুমগী ৱাথোক, য়ুম্বানবগী নুংঙাইবা, হাউতবা চীঞ্জাক অমসুং মীনা লাকচদুনা চৈখিবা খক হায়দোক্তে।
- মীপুম খূদিংদা নুংঙাইবা পীবা ঙম্নবা, মতম শাংনা বসন্ত ঋতু য়ৌদ্রিবা ফাওবা কোকিলনা তুমিন্না লৈ।
- ধর্ম্ম, লন, ফৌ, গুরুগী ৱাহৈশিং অমসুং হিদাকপু চেকশিন্না থমদ্রবদি নুংঙাইনা হিংবা ঙমদে।
- ফত্তবা মীগা তিন্নগনু, সাধুশিংগা তিন্নৌ। অহিং নুংথিল অনীমক্তা অফবা তৌ, পুন্সি অসিমক লেপ্তবনি হায়বদু নীংশিংঙউ।
- জীব পূম্নমক্তবু তশেংনা নুংশিবীবা ঙম্লবদি জ্ঞানগী, অরান খুভমগী জাটা পুবগী, উৎ তৈবগী দরকার করিসু লৈতে।
- ময়েক অমত্তা ওইরবা ওঁ হায়বসিবু সিষ্যদুদা গুরুনা তাকপীরবা, মদুগী লমন তোন্দ্রবা শিষ্য ওইননবা গুরুদা কৎনবা পোৎ পৃথিবীসিদা লৈতে।
- মবুক ফত্তবা মীগা তিংখংগা অনীসিদগী নাম্থোক্লবা উপায় অনীখক লৈ, মচিন্দু খোঙউপ্না নৈহৎপা নৎত্রগা মখোয়দগী লাপ্না লৈবা।
- ফি মোৎপা, ময়া মোৎপা, চাগনবা (থীবোং লাওবা), ৱাঙাং ফজদবা, নুমিৎ থোক্লগা অদুগা তাবদা তুম্বা (নোংঙানবদা, য়াচংবদা তুম্বা), মরল লৈতবা, মশা ফৎত্রবা, থীরবা, লেমজদ্রবা– অদুগুম্বা মীদু ভগবান বিষ্ণুমক ওইরবসু থাদোকউ।
- লন লৈত্রবা মীবু মরূপ্না, নুপীনা মচিন মনাওনা, মরী মতানসু থাদোকই। লন লৈরবা মতমদা চৎখ্রবশিংদু অমুক মনাক্তা হল্লকই। লন অসিমক মীওইবগী তাইবংপানসিদদি মরূপ্নি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

৬৮। কোইজোম্বী পুক্কংবী মমা অমনা ফজখ্রবী মচানুপী অমা পোকচববু মীনা পাম্বীদবা করিনো?
৬৯। খুমিত্তা / খোঙনিংদা কাপ্লগা নাতোন্দা পানবা করিনো?
৭০। খোঙনা কাওরগা লাইদা কৎপা পোৎ করিনো?
৭১। খ্বাইদগী য়াংবা করিনো?
৭২। খুইরগা হাওবা হৈ করিনো?
৭৩। খ্বাইদগী য়াংবা উ করিনো?
৭৪। খ্বাইদগী পীকপা উচেক করিনো?
৭৫। খ্বাইদগী পীকপা শা করিনো?
৭৬। খোইমুনা ঙংলিমখৈ থম্বাল শাৎপা করিনো?
৭৭। খূৎনা হেন্দল পায়রগা চিন্না হায়রগা মমাই চুম্বা করিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (২৬–০৪–২০২০) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

৬১) মোম্বতি অচাকপা, ৬২) লফু কাবা, ৬৩) পয়া পুনবা, ৬৪) থাসি অমসুং পানখৎলকপা থা। ৬৪) থাশি অমসুং পানখৎলকপা থা, ৬৫) কৈথেল কাবা অমসুং কুম্বা, ৬৬) খূৎনা নপ শিৎতোকপা, ৬৭) ৯৯ দা ২, ৩, ৪, ৫, ৬, ৭, ৮, ৯ না পুরিবনি অমসুং মদুগী ফলশিংনি।

## চয়োলসিগী ফাগী

**চৎনলোন !!**

ইম্ফাল কৈথেল মনুংদা দ্যুটি তাবা পুলিস নুপাদুনা থৌরাং লোয়রদুনা ময়ূমদগী থোক্লমদাইদা মফুরিৎখাউ চ্যেক তৌরুবদা ঙরাং মানা দ্যুটিদৈ হল্লকখিবদা য়াওরকখিবা লুপা চামা হেনবা মঙা চৎপী তরাচৎপীশিংদু অমত্তা য়াওরমদবদগী ফ্রং শাওগত্তুনা মাগী নুপী কৌদুনা লৌথোক লাকথোকপরা হংলুবদা নুপীনা “ঐদি লৌদেনে অঙাংশিংনকা লৌথোক্লবা য়াওবরা, ঐ অমুক্তা হংগে” হায়দুনা মাগী মাগী কাদা লৈনরিবা মচানুপীগা মচানুপাগদা হংলুবদা মচানুপীদুনা লৈকাই লৈশাবী মরূপকী শেলহুনগী লৌথোকপনি হায়রকখিবদগী মপুরোইবদা তম্লে–“ইবেম্মনা মরূপকী ওইনবা লৌথোকএয়ে।”

– (হেন্না শাউগৎনা) মরূপকী লৌথোকএয়েদি কৈনো, মী’ ফুরিৎখাওদৈ পৈশাবু হেক্তা লৌথোকপা য়াব্রা, হুরানবনিয়েদনা ফাদুনা জেলদফাও থাজিনবা য়ারিবনি খঙদ্রা, কৌরকউ .. নচানুপীদু কৌরকউ, মা ঙসিনে..

– (মপুরোইবগী অশাওবা মওংদুদা খোন খরা কল্লপ মচানুপীবু কৌদুনা) হাই ইবেম্মা থোরকউ লাউ ববাসি য়াম’ শাওরেহৈ.. নঙগী পৈশাদুবু লোয়নমক পীথোকখ্রবরা, লুপা মঙা–তরাদংদি ববাদা পীরোলাউহে..।

**মীচঙ মীখায়গী ৱা!!**

হোস্পিটালগী মেটরনিটি ৱার্দতা অঙাং উনগদগী লৈরবী নুপীশিংগী নুপাশিংদু অয়ূক্কী ডাক্তরশিংনা রাউন্দ চৎপগী মতাং থোক্লদুনা মপান্দা লোইনমক লৈহল্লম্মী। নুপা ময়ামদুগী মরক্তা অহিং লেল্লক্লবা খরসু য়াওরি অদুগা ঙাইহাক্কী মমাঙ অয়ূকখক্তদা লাকখিবসু য়াওরি। চৈরক্তুদা নর্স অমনা পরপ–পরপ থোরক্লগা, অয়ূকখক্তুদা লাকপী নুপী অমগী নুপাদা– “তামো কিলো অহুমমখায় লুম্বা নচানুপা অমা পোক্লে” হায়না হরাউনা তম্লে। ৱাদু তাবদা মপান্দা লৈরিবা নুপাশিংদুগী মরক্তগী অমনদি খংশাও শাওগৎলবা মওংদা খোন কন্না হায়রকই, “করিনো সিষ্টর, শেঞ্জা থুমজা মীচঙ–মীখায়গীসু ঙমখৈ খর–খরদি থম্বীবা ফৈ, মপান থোকপীমল্লবসু লায়রবা ঐখোয়সে তুমিন্না লৈবা ঙম্লক্তে, নুপীশিংগীদি শিফম–নাফমগী লাম্থেং ওইরিবা অঙাং পোকপদা ফাওবা অসুক মীচঙ–মীখায় নাইবীবদি ধর্ম থোকমন্দে...”।

**নর্স** – (ইঙক–ঙকই, অতৈনসু নুপাদুদা ঙক্লা য়েংনৈ) হায়বীরিবদু করিনো হায়বা ঐদি ভাব তাজদ্রে...!

**নুপা** – ভাব তাদবা হায়বদি করিনো সিষ্টর, ঙরাং নুংথিলদগীনা হৌজিক ফাওবা অহিং মীৎশেং খাঙবমখৈ চারম–থক্লম খঙদনা ঙাইজরক্লিবা ঐখোয়গীনা হৌজিকফাও পোকপীদ্রগা, হৌজিক লাকপা মীগীনা অঙাং পোক্লে হায়বীরিসিদা শাউনিংলোইদৌবসিবু কনানো!